# অঙাংগী বাইবল

## খুদোল তাম্জারী

# ঈশ্বরনা খুদিংমকপু শেম্বীরাম্বী





অইবা : Edward Hughes

লাই য়কিপবা : Byron Unger; Lazarus

চুনাহান্বিবা : Bob Davies; Tammy S.

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

ফোংদোকিপবা : Bible for Children

www.M1914.org

BFC
PO Box 3
Winnipeg, MB R3C 2G1
Canada

©2013 Bible for Children, Inc.

লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোকপা য়াই অদুবু য়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।

ঐখোইবু কনানা শেম্বীরাম্মী ? বাইবল,ঈশ্বরগী ৱাহৈনা তাকিপ মতৌ করাম্না মীওইবা জাতি হৌরকখি। থায়না মামাংঙৌদা,ঈশ্বরনা মী অমা ইহান হান্না শেম্লাম্মি অমসুং মহাক্কী মমিং অদম কৌরাম্মি ।



ঈশ্বরনা অদম্বু মালেমগী উফুল্দগী শেল্লাম্মি। ঈশ্বরনা অদমদা অহিংবা শ্বর হোঙ্গিন্বিদুনা হিংহল্লাম্মি । অদুগা অদম্বু ফাজরাবা এদেন কৌবা লৈকোলদুদা থনাম্মি ।



ইশ্বরনা অদম্বু শেম্দ্রী ঙৈদা, মহাক্না অঙকপনা থাল্লাবা ফাজারাবা মালেম শেম্বিরম্ম । তপ্না তপ্না ইশ্বরনা পিক্লা পিক্লাবা চিংশিং অদুগা নাপিখক্তা হৌবা লমহাংশিং শেম্লম্মি, মানম নুংশিবা লৈশিং অমসুং অৱাক্বা ঊশিং, ফাজরাবা উচেকশিং অমসুং ন্দকে ন্দকে ন্দক্বা থোইশিং, লৈওনবা সমুদ্রাগী ঙজাওশিং ( তিমি ) অমসুং থারোইশিং ।



থংগৈশেংনা, ইশ্বরনা পুন্নামক শেম্বিরাম্মি – পুন্নামক ।

খ্বাইদাগী ইহান হান্বাদা, ইশ্বরনা করিমাতা
শেম্দ্রবঙৈদা, ইশ্বর নত্তানা করিসু লৈরম্দে ।
মী নৎত্রাগা জাগা নৎত্রাগা পোৎশিং ।
করিমাতা লৈরম্দে । অঙানবসু
অমসুং অমম্বাসু । অব্রাক্বা
অমসুং অনেম্বা লৈরম্দে ।
ঙরাং অমসুং ঙসি লৈরম্দে ।
অহৌবা নাইদাবা ঈশ্বরথক্তা
লৈরাম্মি । অদুদাগী ঈশ্বরনা
শেম্বা হৌরম্মি । ইহান হান্বাদা,ঈশ্বরনা
পৃথিবী অমসুং স্বর্গ শেম্লাম্মি ।



অমসুং পৃথিবীগী মওং করিসু লৈরন্দে অমসুং ইহাঙ হাংলম্মি । অমসুং অমম্বা অদুনা অরূবা অদুবু খুম্জিলদুনা লৈরম্মি। অদুদগী ইশ্বরনা হায়রম্মি “মঙাল লৈসানু” ।



অদুগা মঙাল ওইরম্মি । ইশ্বরনা মঙাল অদুবু নুংথিন কৌরম্মি অমসুং অমম্বা অদুনা অহিং কৌরম্মি । অসুম্না অয়ুক অমসুং নুমিদাংনা অহান্বা ওইরম্মি ।



অনিসুবা নুমিত্তা, ইশ্বরনা সমুন্দ্রাগী ঈশিং শেমলম্মি, শ্বর্গাগী মখাদা সমুদ্র অমসুং পাৎশিং শেমলম্মি। অহুমশুবা নুমিত্তা, ইশ্বরনা হায়রাম্মী, ‘অকংবা লম্ ওইসনু"। অদুগা মাদু ওইরম্মি ।



ইশ্বরনা নাপিশিং উপাল হৈপোলশিংসু ওইরক্কবা য়াথং তৌরম্মি । অদুগা মাদু ওইরম্মি । অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা অহুম্সুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



অদুগী মতুংদা ইশ্বরনা নুমিৎ অমসুং থা শেম্লাম্মি,অমসুং কনানাসু মশিং থিবা ঙম্দবা থাৱানমিচাক কয়া কয়া । অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা মরিসুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



মাথঙদানা ইশ্বর্গী লিস্টতা
সমুদ্রাগী জিবাশিং অমসুং ঙা অমসুং উচেকিশং ওইরম্মি । মঙাশুবাতানা অচৌবা সবর্দ ঙা অমসুং অপিকপা স্যারডিন (সমুদ্রাগী ঙা জাৎ অমা), মখোংসাংবা অস্ট্রিচ উচেকশিং অমসুং অতৈ উচেক মচা মচাশিং শেল্লাম্মি । ইশ্বরনা পৃথিবিগী ঈশিং থন্নানাবা তোঙান তোঙানবা ঙাশিং অদুগা পৃথিবী অমসুং অহাংবা আতিয়াবু হেন্না নুংঙাইনাবা তোঙান তোঙানবা উচেক শেলাম্মি। অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা মঙাশুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



অদুগী মতুংদা, ইশ্বরনা অমুক হাইরম্মী। মহাক্কা হাই, “পৃথিবীদা জীব পানবা ওইরক্সানু . . .” অদুদগী তোঙান তোঙানবা জিবাশিং অমসুং তিন-কাং অমসুং মপুকনা সিত্তুনা চৎপা জীবশিং লৈবা হৌরকখি । মপাংগল য়াম্না কল্লাবা শমুশিং অমসুং থবক কন্না শুবা বিবরশিং লৈবা হৌরকখি । সাথিবা য়াংশিং অমসুং শাওং শাজৎ থিবা কুম্ভীরশিং । লৈবাক্তা লৈবা তিনশিং অমসুং খৈরোয়শিং । ফাজরাবা জিরাফশিং অমসুং ইং-তপ্পা নুংশিরাবা হৌদাংশিং । তোঙান তোঙানবা মখলগী জিবাশিং ইশ্বরনা শেমলম্মিই অদুগী নুমিত্তা । অমসুং অয়ুক অমসুং নুমিদাংদুনা তরুক শুবা নুমিৎ ওইরম্মি ।



ইশ্বরনা তরুক শুবা নুমিত্তা য়াম্না মরু ওইবা থবক অমা তৌরম্মি। মতম অদুদা মীওইবগীদমক খুদিংমক থৌরাং তৌবা লোইরম্মী। চনানাবা চিন্জাক_াৎলন্দে অমসুং মখোইবু মতেং পাংবিনাবা জীবশিং লৈরম্মি। অমসুং ইশ্বরনা হাইরম্মি, “ঐখোই তাইবংমী শেম্লাসী ঐখোইগী মীতম লৌরগা । অদুগা খুদিংমককিমাথক্তা মহাক্না পান্বা ওইসনু” । মরম অসিনা ঈশ্বরনা মী শেম্লাম্মি মহাক মশামক্কী মিতম লৌদুনা; ঈশ্বরগী মিতমদা মহাক্না মী শেম্লাম্মি ।



ইশ্বরনা আদাম্দা_া ঙাংলাম্মি । “নংনা লৈকোন অসিদাগী নংনা অপাম্বা খুদিং চাবা য়াই । অদুবু অফাবা অমসুং ফাতাবা লৌশিংগী উহৈ অসিদি চগানু । করিগুম্বা নংনা মদুদাগী চারাবদী নহাক শোইদানা শিগনি”।



অমসুং ইশ্বরনা হাইরাম্মি, “মী অমথক্তা লৈবসে ফত্তে । অদুনা ঐ মহাক্কী তেংবাংনবা অমা শেম্গে” । ঈশ্বরনা অদম্দা লমলক্কি উচেকশিং অমসুং সাশিং পুরকলম্মি । অদুগা আদম্না মাথোই পুম্নামকপু মিং থোন্বিরম্মি । মহাক্না মদু খুদিংমক য়াম্না শিংনা তৌরম্মি । অদুবু লামলক্কি শাশিং অমসুং উচেকশিংগী মরক্তা অদমগীদমক চনাবা মপাং লৈরমদে ।



ঈশ্বরনা অদম্বু ফাজানা তুমহাল্লম্মি। অদুগা ইশ্বরনা অদম্দাগী সরু অমা লৌথোক্লগা নুপী অমা শেম্বিরম্মি। ঈশ্বরনা শেম্বিবা নুপী অদুনা অদমগীদমক খ্বাইদগী চানাবা মপাং ওইরম্মি ।



ইশ্বরনা খুদিংমক নুমিৎ তরুক্লিদা সেল্লক্মী । অদুগা ইশ্বরনা তরেৎনিসুবা অদুবু বর অমসুং পোত্থাবা নুমিৎ ওইহল্লক্মি । অদম অমসুং মহাক্কী নুপী ঈভ এদেনগী লৈকোন্দা ঈশ্বরগী য়াথং ইন্দুনা নুংঙাইনা লৈরক্মি। ঈশ্বরনা মখোইগী সেম্বিবা মপু, মখোইগী দরকার লৈবা খুদিং পিবিবা অমসুং মখোইগী মরূপ ওইরক্মি ।



ঈশ্বরনা খুদিংমক্‌পু শেম্বীরাম্মী

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মৈহৌরোন ১–২

“ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি ।”
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

লোইজারে

অসিগী  বাইবলগী ৱারী অসিনা ঐখোইদা ঐখোইবু শেম্বিবা মতিক লৈবা অমসুং
অদোম্না  থংবাদা য়াম্না মরু ওইবা মপু লাইনিংথৌ মহাক্কি মরম্দা ঐখোইদা তাকপি ।

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি, অদুবু ঈশ্বরনা নাহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী উসিন ওইনা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চতথি! নহাক্কা যীশুবু থাজরাবদি অমসুং নহাক্কি নপাপশিংদু কোক্পীয়ু হায়না মাঙোন্দা হায়জারবদি, মহাক্কা সোয়দনা কোকপিগনি! মহাক নংগী পুন্সিদা লাক্কানি অমসুং মহাক্কা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নাবা ফংগনি ।

নঙনা মসি অচুম্বানি হায়না থজারবদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐ নংবু ঈশ্বরনি থাজাজৈ, নহাক্কা তাইবংপানদা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী পাপকিদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগতপি । ঐগী পুন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী ইপাপসিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পুন্সি হৌজিক ফংজগে অমসুং নহাক্কা লোইনানা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংজাগে । নহাক্কি হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন ।

নুমিং খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ! যোহান ৩:১৬